# ব্লোজম স্কুল ইন্দোর শুটিং সেন্তরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

## প্রিতমজিৎনা পিষ্টলদা, জুলিয়ানা রাইফলসকী চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দগী খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা চথুরকপা অহানবা ৱিন্টর এয়র ৱিপন শুটিং কম্পিটিসন ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ব্লোজম স্কুল ইন্দোর শুটিং সেন্তর (বি এস আই এস সী) না পূন্না মেদল ২১ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট মরিদগী লাকখিবা রাইফল শুটর ১৮ অমদি পিষ্টলগী শুটর ৪২ পূন্না শুটর ৬০ না শরুকয়াদুনা চথুরক্লিবা কম্পিটিসন অসিদা মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী প্রিতমজিৎ মাইবম্না পিষ্টলগী চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখি। মহাক্না অপূনবা পোইন্ট ১০০ গী মনুংদা পোইন্ট ৮৯ ফংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তেন্সুবম হেরোজিৎনা রন্নর্স-অপ তাখি। মহাক্না অপূনবা পোইন্ট ১০০ গী মনুংদা পোইন্ট ৮৮ ফংখি। রাইফলস ইভেন্টতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাহেংবম জুলিয়ানা অপূনবা পোইন্ট ১০০ গী মনুংদা ৯৬ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী আর কে মমতানা অপূনবা পোইন্ট ১০০ গী মনুংদা ৯২ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি।

কম্পিটিসন অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএসন্না গোল্ড মেদল ৭, শিলভর মেদল ৩, ব্রোঞ্জ মেদল অনী পূন্না মেদল ১২ ফংখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএসন্না গোল্ড মেদল ৪, শিলভর মেদল ৫, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ পূন্না মেদল ১২ ফংখি। মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না শুপ্নগী গোল মেদল অমখক লৌবা ঙমখি।

কম্পিটিসন অদুদা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ওপন মেন ইন্দিভিজুএল চেম্পিয়নশিপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশনগী নাওরেম গোবিন্দময়িনা পূন্না পোইন্ট ৩৭৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএসনগী সেরাম বিনোয়না পূন্না পোইন্ট ৩৭১ স্কোর তৌদুনা শিলভর মেদল লৌখি।

চহী ১৫ মখাগী নুপীমচাগী মিটর ১০ গী পোইন্ট ১৭৭ পিপ সাইদ এয়র রাইফল ইন্দিভিজুএলদা ব্লোজম স্কুল ইন্দোর শুটিং সেন্তরগী অঙোম ভেরোনিকানা পোইন্ট ৩০৬ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সেন্তর অসিমক্কী শুটর খুমনলাম্বম ইরিকানা পোইন্ট ৩০৬ স্কোর তৌদুনা শিলভর মেদল ফংখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশনগী মুতুম চাওবা চনুনা পোইন্ট ২৯৭ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চহী ১২ মখাগী পোইন্ট ১৭৭ পিপ সাইদ এয়র রাইফলগী মিটর ১০গী ইন্দিভিজএল (ষ্টেন্দিং) দা ব্লোজম স্কুলগী ইন্দোর শুটিং সেন্তরগী লৈতাম্থেম ষ্টেসিনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সেন্তর অসিমক্কী শুটর লৈহাওথাবম পুস্পনা পোইন্ট ৩৩১ স্কোর তৌদুনা শিলভর লোয়ননা সেন্তর অসিগী শুটর জোতিকা লাইশ্রমনা পোইন্ট ৩৩২ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

পোইন্ট ১৭৭ পিপ সাইদ এয়র রাইফল মিটর ১০ গী চহী ১২ মখাগী ইন্দিভিজুএলদা ব্লোজম স্কুলগী লৈতাম্থেম ষ্টেসিনা গোল্ড, ব্লোজম স্কুলগী লৈহাওথাবম পুস্পনা শিলভর, জোতিকা লাইশ্রমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নুপামচগী কাঙলুপ্তা ব্লোজম স্কুলগী গুরুময়ূম দেবজিৎনা গোল্ড, টেঙ্জ সাপমনা শিলভর, অচোম স্মিথনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# ত্রাও ক্বাকৈথেলনা হিসু মায়থীবা পীদুনা ভুবন মেমোরিএল দি এস এ ত্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): দি এস এ ককচীংনা শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ১৩ শুবা এন ভুবন মেমোরিএল দি এস এ ত্রোফি ২০১৭ কী মতম শাংনা য়েথোক্তুনা লাকখিবা ফাইনেল মেচ ঙসি শান্নখিবগা লোয়ননা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) ক্বাকৈথেলনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা হিশু থৌবাল গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ত্রাওনা ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৭০ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা হিসু থৌবালনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৫০ গী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা হিসু থৌবালগী এল সুধিরনা হায়েষ্ট স্কোররগী মনা ফংখি। ত্রাও ক্বাকৈথেলগী এম দি টাজ উদ্দিন্না বেষ্ট গোল কিপ্পরগী মনা ফংখি। ত্রাওগী এস ঐচ মৈরাবনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট মিদফিল্ডরগী মনা ফংখি। ত্রাওগী য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় এম মৈনোনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি। ফেয়র প্লে টিমনা এস এ ও ককচীংনা তাখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা কে পি এস সী ককচীংগী এন সঞ্জিৎ কুমারনা তাখি। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা ত্রাওগী শান্নরোয় এল সনাতোম্বনা তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং হিসু থৌবালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুম ওইনমক ত্রাওগী শান্নরোয়শিংনা কোওর্দিনেসন হেনখিবা মরম্না মেচকী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম ৯ শুবা মিনিটতা এন সনাতোম্বনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৫ শুবা মিটিতা মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর টি ঐচ ভন্দোনানা চনখি।

# খেলো ইন্দিয়া জুদো মশান্নগী চহী ১৭ মখাগীদা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী অনীমক্না টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৬ তগী চথুরকখিবা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী জুদো মশান্না ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা চহী ১৭ মখাগী নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

কম্পিটিসন অসিগী চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৩৬ মখাগী কাঙলুপ্তা এল নুংশিথোইনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ৪৪ মখাগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ তবাবিনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা এ নিসিতা দেবীনা শিলভর মেদল অদুগা কেজি ৫২ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ মতৌলৈবীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ঐচ কেসোরজিৎনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা এন সোমোরজিৎনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা এ রোনাল্ডোনা শিলভর মেদল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৩০ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ রিসিকান্তনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ২৫ মখাগী কাঙলুপ্তা ৱাই য়োহেনবনা শিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা এল বাবুমচানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী কেজি ২৭ মখাগী কাঙলুপ্তা এন মতৌনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৩০ গী কাঙলুপ্তা এম রোসিবিনানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৭ লক শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিদগী ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথুবা হৌখ্রে।

নুমিৎ ৮ নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা পোলো টুর্নামেন্ট অসিদা খুরাই পোলো ক্লব, ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বি, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী, এক্স পোলো ক্লব টিম এ, ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ, ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব টিম এ, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম এ, ক্রিপসা নাওরেমথোং, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল টিম এ অমদি মৈরাবা পোলো ক্লবনা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী মেজর জেনরেল য়ু সুরেসকুমার, ভি এস এম ৱাই এস এম, মণিপুর ইক্বেষ্টেরিয়ন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. এস জয়কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা শগোল কাংজৈ মশান্না উৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ওপনিং মেচ অদুদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব (ঈ এস সী) নোংমৈবুংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচকী অহানবা চক্রদা ঈ এস সীনা পাঞ্জল অনী অদুগা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীনা পাঞ্জল অমা চনখি। ঈ এস সীগী পাঞ্জল অনী অদু কে সমানন্দা অমসুং ঈ রোমেসনা চনখি। মণিপুর পুলিস টিম সীগী পাঞ্জল অদুনা এম বেবেকানন্দনা চনখি।

অনীশুবা চক্রদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা অহুমশুবা চক্রদা মণিপুর পুলিসকী এম বেবেকানন্দনা পাঞ্জল অমা অমুক চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল অনী অনীদা চপ মান্ননা লৈখি।

মেচকী অহুমশুবা চক্র ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২/২ চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা ঈ এস সীগী কে সমানন্দনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি। চক্র অদুদা মণিপুর পুলিসকী এস অবুংচানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৩ শুখি।

## বোক্সরশিং খনগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা বেঙ্গালুরুদা লৈবা জিন্দাল বোক্সিং একাদেমিদা তম্মিংবা মণিপুরগী নহা ওইবা বোক্সরশিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা মশাগী চহী ১১ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্দগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি।

# টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৫ শুবা ত্বেন্টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৪.৩ মায়োক্নদুনা শুপ্নগী রন ৩৯ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ৬.৫ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ২ আউট ওইদুনা রন ৪০ লৌদুনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোলর এল বিনোয়না ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ চজিং ক্রিকেট ক্লব অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লিগা শান্নগনি।





Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3673/17-22/2









Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com